# ঈচাউনা পুরকপা পূক্নিংগী ৱা

**এস ভানুমতী**

*পুন্সি* হায়বসি অৱা-নুংঙাই অনীনা পূনশিল্লগা শেম্বীরকপা লীলা অমনি হায়জনীংঙি। মীওইবগী মরক্তা অমগা অমগা শক মান্নদে। অদুগা মীওইবগী কাঙলূপসিদা তুংদা করি থোল্লক্কনি, করি ওইরক্কনি কনামতনা খঙবা ঙম্লবা নত্তে। অসুম্না পুন্সিগী থৌদাং য়াবা হোৎনরিঙৈ, ইচা ইশু শেম্নবা ৱাখল খল্লিনৈঙে, পুন্সিগী অৱাবা করি, পুন্সিগী নুংঙাইবনা করি হায়বসিগী মরমদসু ঐখোয় মীওইবনা মীকুপ অমত্তবু নীংশিংলুদে। মসিসু তাইবঙ মপূনা হিংবা ঙম্লবা পীবা পান্বে অমনি খল্লকই। ইখঙ খঙহৌদনা ইথা হেক থাজদনা চৎলিবা চহীসিগী মার্চকী তাং ৩০ শগোলশেল নুমিৎতা অকনবা নোংজুনা অখাক অরাউগা লোয়ননা লেপ্তুনা চুরকপনা খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাউ থোরকখি। নুমিৎ নীনি চল্লকপদা মায়কৈ মরিদগী চেনশিল্লকপা ঈশিংনা চাকশঙ য়াওনা কা খুদিংমক ঈশিং থূল্লকখি। ঐ হায়ফম খঙদে ঈশিংনা অসুম্না ইমাংদা উনা-উনা চেনশিল্লক্তুনা পোৎ-চৈ ফাওবা তাউথোকপা অমুক্তসু ইমিৎতা উজখিদ্রি। মিহুল দং-দং চোঙখি। য়ূম পাল্লবা তুংদা অনীরক ঈশিং চাউখি। অদুবু তুরেল কায়রে হেক খঙবদা ঈপামদা (শয়াং পুখ্রি মপান্দা) ইপুরোইবনা থিনবিখি। পূংকং কংলবা মতমদা লৌবা লাক্তুনা য়ূমদা হনজিল্লি। অমুক্কা অমুক তুরেল কায়দুনা থুল্লবদা হার্ট নারুবা ওইবনা শোনবনা ময়াম হায়বদি ইনাওনিপা, ইচননুপীনচিংবনা ইনাওনিপাগী লৈফম দোলাল মথক্তা পুখৎপীরগা থম্বনিনা ঈশিং চাউবগী মশক অমত্তসু উখিদে। মঙগুম্না সী এম সী হোস্পিটাল ভেল্লরদগী হল্লকপা কুইদ্রিঙৈগী ৱানি। মদুদসু লৈবাক্কা পুমকং কংলগা কুল্লকপনিনা ঈশিং চাউবগী অৱাবা হায়বদু মশক খঙদ্রিবনি। অনাবগী চৈনানা শোনবনা মরম ওইখিবনা ইনাও অনী (মৌ) অমদি ইচলনুপী, ইনাওনুপাশিংনা মখাদগী পোৎ চৈ পূম্বা লোইশিনবীদুনা মথক্তা থাঙ্গৎপা য়াবা থাঙ্গৎপীখি। মতমদুদদি পোৎ চৈশিং, ফিরোলগী, লাইরিক্কী মাঙবা খোৎপগী করিসু খন্থবা ঙমখিদে। দলাল মথক্তুদা হিপ্তুনা অদুম লৈখিবনি। কাউবা য়াদবা অমদি ঐগী ইনাও অতোম্বগী নুপীনা ঈশিং চাউদুনা পোৎ চৈ থাঙ্গৎনবা হোৎনবদা ফনেক শেৎপগী থবক পাঙদবদুদা ওইরমালে খোঙগ্রাউ ক্বার্টর অমা কদায়দগীনো শেৎলগা মখাদগী পোৎশিংদু দলালদা হোনগৎপা উখি। হকচাংসু খরা শোনবদুগী নুঙাইতবগা, মহাক্কা ঐখোয়গীদমক্তা ৱারিবদু উবদা কয়াদা নুংশিখিবা, ঙসি ফাওবা মিৎতা শংশং উরি। ঙসি ঙসিগী ইমুং মনুংশিংগী মচেৎ মচেৎ তানরল্লকবা, অহল ওইরক্লিবশিংদা হায়ফম খঙদনা পোথাফম খঙনদ্রবা মতমসিগদি কয়াদা খেন্নরবা মহৌশাগী মতৌদুগা!

ঈশিংনা মায়কৈ পূম্বা থূমজিল্লক্লবদা পান্বে ৱাৎলক্লবা মতমদা হৌখিবা পুন্সিদা থেংনরকখিবা, মীওইবগী মরক্তা চৎনরম্বা ফজবা লোনচৎ শাজৎ, করিমত্তা থোক্লবা নৎত্রবা য়ূমলোন কৈরোন্নবশিংগা লোয়নরকপা মতৌশিং মরী মরী নীংশিংলকই ঈশিংনা কোয়শিল্লবা ফমুংদা লাইরিক ইনা ইনা। করিনো থৌদোক অমতং থোকপদা অমনা অমগী মতেং পাংনরকপা পূন্নমক নীংশিংলকই। মতম অদুৱাইদদি লাইরিক ময়ামদু মাঙখিনি খনখিদে। ঙসিদি মমল য়াম্লবা লাইরিকশিং ঈশিংনা চোৎখিনি খনবদা অৱাবা ওইরে। ইশাগী অনাবা পূমকাউ কাউথোক্তুনা রেক মখা থংবশিংদুগী থাঙ্গৎহৌদবশিংদু ঈশিংনা থূমখিনি খনবদগী ঈশিংদুদা কুমদুনা চৎলগা অমুক থাঙ্গৎপা হোৎনরুই - য়েংবদা নুংঙাইত্রমালে ঐগী ইপুরোইবসু য়াওবিদুনা লোইশিনমিন্নখি। নুমিৎতুসু পোথাবা ফংদে ঙাইহাক্তং হিপথরুবদা নোংঙানবনা হাল্লে। ৱাখলসে হায়ফম খঙদবা য়াম্না হৈনদবা অমা পোকই। চা লোল্লবসু খুবোম ফাওবা থূমজিল্লবা ঈশিংদুদা লেপ্পগা লোল্লে। চাক থোংবসু অদুম্না অদুম থোংলে। পীক্তকপা কা মঙা, চাকশঙগা থারগদি কা তরুকমক লোইনা থুমলে। মীয়াম পূম্বগী নালা ময়ামগী ঈশিংদু ঐখোয়দা লোইনা চঙকল মাল্লে খল্লি। মরমদি লৈকায়দুদা ঐখোয়গীনা ইকুৎ কুৎথবা মাল্লি। মোৎপদগী মোৎলবা, শা, য়েন শেম্বগী, লুখাক চগুম হৈদোকপগী ফুনজিল্লবা নালা পরিংদু ৱায়শেল মরীলদা চুমদ্রিং চেনখিদ্রবনিনা ঐখোয়গী ইঙ্খোলদসু পুল্লপ তুংফম ওইররে। পান্বে লৈতবা অমদি ৱাখল থোক্তবনা নে তানা চাবসু ফংখিদে। পাউ তম্ফম খঙদে - লম্বীরোমদগী ঐখোয়গী শুমাঙ তম্না পঙচেন্দা চেনশিল্লকই। অঙাংগী স্কুল চৎপদা চানবা হাপ্পা টিফিন মচাকাসু তাউথরকই শুমাংদা। মহা মেলানি ঈশিং চাউবা হায়বসে। এস সী ঈ আর টিগী প্রোগ্রাম লৈবদুসু মপূং ফানা স্ক্রিপ্ট মরি শুনা ইবা ঙমখিদ্রে অনীখক ইরগা ঐগা ইমিন্নবা ইপ্পা অমনা পাংবীদুনা মাগী মপান্দগী মশীং শুনবদি থাগৎখি। মসিসু তাইবঙ মপূগী থৌজালননি। অসুম্না ৱারবা মরক্তুদা ঐবু পোকপীবা পালেম পম্বৌ, ইখুড়া মিৎতা উরকই - ইপামগী ইঙ্খোল অচৌবা নীংশিংলকই। চানীংবা হৈ অমতং খল্লকপদা ফংদবা লৈত্রবা, হৈবান, হৈজাং, হৈখা, চুম্বৈ, চোরফোন, নোংগাংহৈ, থৈবোং, হৈয়াই, হৈরিৎ, সোলোম, নাসপতি, হৈগ্রু, হৈবোং, নোবাব, চম্প্রা, কফোই, হৈমাংনচিংবা অমত্তা হেক চিৎথদনা পাল্লিবনি। লৈগী লক্তসু সনারৈ, মালিকা, মালতি, লৈহাউ লৈরেন, লৈহাউ আগ্নি (অঙাংবা লৈহাউ) যাতিকুপ্পী, খাগী লৈহাউ পাম্বীনা (পুখ্রিগী অকোয়বদা), উথম্বাল, অতরগুলাব, শিরিজ কুশুম, অপ্রাজিত, চিগোংলৈ, তখেল্লৈ, থাবল্লৈ, পরিজাৎ, যবাকুশুম, নুমিৎলৈ, চিনি চম্পা, কবিরৈ, কুথাপলৈনচিংবা লোইনাইদনা শাৎলি। ঙসি ঙসিদি উগে ফংদ্রবা কয়াসু য়াওরে। ওম্থোক্লা ৱারবা পোথাফম খঙদ্রবা মতমসিদা অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সিদা থেংনরকখিবা পুকচেল শেংবগী ঈশিং নুংশিৎলক্তা অকি অখং অমত্তা য়াওদনা লেনজরকপা অমগা অমগা তেংবাংনবনা মথৌদাং ওইনবা মীরক্তগী চাউরকপনা ঙসিগী মপাম্থোংদনা নোল্লুকপা শারগা তাল্লক য়েংলগা পুন্সি মাঙনবতা তেমশিংনরিবা মীওইববু ওম্থোক্লা নিন্দা তৌরকই থম্মোয়না। পূক্নিংসিনা মরম মতাং ইচা চানদবা ৱাখল কয়া মরী মরী থোরকহল্লি। মীওইবা মরকসি থম্মোয় য়াম্না পীকশিন্নরকপা উবদা খাঙবা ঙম্লক্তে। অমুকসু উরকখি মিৎসিদা হৌখিবা মতমগী ঈশিং ঈচাউ। হৌখিবা ঈশিং ঈচাউদা ইপামদা লৈরিঙৈ মতমদা ইপুরোইবগী য়ূমদা ঈশিং থুমহৌরিবশিংগীদমক্তা হায়দুনা থক্ল বা, থোংনবা ঈশিং, চেঙ-হৱাই, এঙ্গাং-নাপী, থাউ-থুম্নচিংবা কয়া ইপ্পা বঙ্কিম (খুড়াতোন্না পোকপা) অমদি ঐবু পোকপা পাবুং, ঐগী ইবুং য়াওনা ঐখোয় ময়াম্না ক্বাকৈথেল লাম্থোরল্লগা থেলাদা ইন্দুনা পুরল্লগা খাগেম্পল্লিদগীনা লফুনা পোঙ শারগা লম্বী সরক্তা থোরল্লগা লৌশিল্লবদু মিৎতা ফজনা উরকই। অমনা অমগী মতেং পাঙনবদো হঙ্গৎনা অসুম ময়েংলুই। মতম অমদা ইচল অমদি ইনাওশিংনা অঙম অঙম্বা থৌদাং পুনদুনা মতেং ইতেং পাঙননা হিংমিন্নরকপদো ঙসিদি কদোমদা চৎখ্রবা? করম্না করিদগী মায়কৈ থৈখ্রিবা? ৱাখলনা লাম্বদা ফংবা লৈত্রি। ঙসিদি ৱানা ৱানা লেল্লকপনা থবক্তগীসু পোখারবনা, হকচাংগী অনাবনসু খুদুম চনখ্রবনা পান্বে লৈত্রবা ওইনা হিংলিবা মতমসিদদি - কনা অমতনসু করম লেল্লি? করম চারি? হায়বিনবা কনা উরক্তবনা ৱাখল অসি পীকশিল্লকখি। তেংবাঙবিনবগী খোঞ্জেল খোম্থোক অমতা তারক্তবদা মসি পূম্বগী ৱাহম্থোক থিবা হৌরকই ইথন্তা। খঙহৌদনা পাউদা কয়ারক য়াওখি - লৈবাক নমথখিদুনা য়ূম কয়া অমাঙ-অতা থোকহল্লে - মী কয়া শিখ্রে - মী কয়া কয়াগী ৱারবা, ফীভম চাদ্রবশিংগী পাউ কয়া নীংশিংলকই। মতাংসিদা পুকচেল পীক্লবা ঐসে ইথন্নতা চৈজরকখি - লায়রদুনসু চরামক্তি হেন্দে, য়ূম পুমথুম থুমজিন্দুনা লৈফম লৈতবসু নত্তনা ঐনা করিগী অরেম্বদা ৱারিবা? ৱারে হায়নসু খল্লিবসিবু ইকায়জরকই। নোংমগী মপাল থোক্তুনা অঙম্বা থৌদাং খরদং তৌহৌদ্রবদি চানীংঙাই থক্লিংঙাই লৈজদবা মী মশীং কয়ানো লৈরমগদবা? তাঞ্জা অসিদা অঙাং উনবগী পুংফম ওইরল্লবা নুপীজা কয়া, অকনবা লায়না নাদুনা লৈরিবা মীওই কয়া, চরা হেনবগী চৈনানা মবুক লামদুনা কপ্লিবা অঙাং কয়া কয়া, অশিবা নংদুনা পোৎলোইবা ঙমহৌদবা কয়া, অমুকসু, খঙহৌদনা চাউরকপা ঈচাউগী ঈরৈনা মফম খঙহৌদনা চেম্থখিবা মীওইবা কোঙ্গাই মফম কদায়দসু য়াওরোই হায়নীংঙাই লৈতে। অসিগুম্বা থোকপা য়াবা অৱাবা থৌদোক কয়া মিৎতা উরকই। হায়রিবা পূম্বা অসি নুংঙাই য়াইফবা কনানসু মসিগী চৈনা চৈথেংদি হন্দক মপোক্তা খঙলরোইদবনি। তোল্ল-তারা কোঙ্গায়গী অৱাবা শরুক্তুম য়ানীংলকই।

নোংজু মতমসু নৎতবসিদা চাউফম থোক্তনা ঈশিং অসুক চাউরিবসিনদি জুন-জুলাই নোংজুথাদা তুরেল কায়বা থোল্লবদি য়ূম শোয়দনা পুমথুম থুমখিবা তাব্রা? খল্লুবদা অকিবা পোক্তবদি ঙমদে। অদুবু অসুক ৱাজরবসু আশা অমদি লাক্লি। মদুদি হন্দক্কী লৈঙাক পায়বিরিবা ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরগী ঙসি ফাওবদা পায়খৎপিরক্লিবা থৌরাংশিং, মীচম মীয়ামদা তাকপীখিবা অচেৎপা ৱাশকশিং অমমম ওইনা পুকচেল শেংনা তাঙ্কক তাঙ্কক ওইনা পাঙথোকপীরকপা, চিনগা খূৎকা মান্না মান্ননা চৎলিবসি উজরগদি মীচম মীয়াম ঐখোয়না করি থোল্লগবা হায়না পংকি কিরুবসু চুমদমালেদা হায়না ইশাগী পূক্নিংবু ৱারকচৈ। অমুকসু অচেৎপা থাজবা থমজৈ - হন্দক্কী কৈশামথোং মায়কৈদা চাউরিবা ঈশিংসি তুরেল কায়রকপদগী নত্তে, খূৎশেমগী ওইবা হায়বদি দুকানবু ওইরসু, য়ূমবু ওইরসু, স্কুলবু ওইরসু শারমদাই মতমদা নালাগী ফীভমদা য়াম্না হেন্না চেকশিন্না খন্নদনা, তুংগী মিৎয়েং থমহৌদনা থবক পূম্বা পায়খৎখিবগী মরম্নি হায়বসি শোয়দনা থিজিন হুমজিনবিরগা খঙবীগনি। পাউচেশিংদসু ফজনা ইনরক্লি, 'ৱাইশেল মরীলগী ঈশিং ঈচাউ', 'ৱাইশেল মরীলগী প্রোজেক্ট অমা শেম্বীয়ু' হায়বনচিংবা কয়া। শোয়দনা তৌদবা য়াদ্রবা অমনিনা লৈঙাক মপূনা তান্ন খোৎনবিদুনা থিজিন হুমজিনবগী থবকসু শোয়দনা নোংজু থাগী মাঙওইননা য়েংবিদুনা শেম্বী শাবিরক্কনি হায়না থাজবা থমজরি। থমজনীংবা ৱাফম অমদি অসুক শাংলবা চহী কয়াসিদা অপনবা অকায়বা মওং অমতং লৈবদা ৱাকৎফম লৈতবনা খা চিক্তুনা খাঙলকই। তশেংনমক হায়ফম থোকপনি খন্না মীচম অমা ওইনা করিগুম্বা ৱাকৎ অমতং থাঙ্গৎচরুবদা তাবিনবা কনা লৈরক্ত্রবনি অসুক কুইবসে।

অদুবু পূন্নমকসি ওইদুনসু 'মীচম' ওইরিবা ঐখোয় ঈশেলসু মীচম মীয়াম অমা ওইবগী থৌদাংদি মশক খঙফম থোকই। ইশা ইশাগী অচুম্বা ফিরেপ মশক মুন্না খঙফম থোকই। নিংথৌ অমখক্তনবু করি করি তৌগনি, য়াংলেন শরূ মথন্তনবু মী ওইহনবা য়াব্রানে? শীংলি নাউরি অমত্তসু ৱাৎপা য়ারোই। মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈবাক, অতিয়া মঙানা পুল্লগা মী শেম্মি হায়- মচাক মঙাসিগী মনুংদা অমতংগী অশোয়বা লাকপদা মীদু মপূং ফাদবা ওইদৌরিবনি। মরম অসি লৈবনা ঐখোয় মীচম মীয়াম য়াম্না পুকচেল শেংবা, মিৎয়েং মরাক পাকপা চঙঙি, মালেমগী ওইবা ৱাখল থম্বা কান্নগনি। তাইবঙ পানবা অসিদা পোল্লগা মীয়ামগী য়াইফনবা ৱাখল য়াওদনা হিংবসিগী অফববু করিনো? ঐখোয় ঈশেল য়োকখৎনদনা অমনা অমবু মাঙনবা তৌবনা করিদা মায় পাকপা ওইগদগে? স্বামী বিবেকানন্দনা হায়বিখিবা ফজবা ৱাফম নীংশিংলকই মদুদি ঐখোয়না পাম্বীগী 'মরু' অমা থাবদা পাম্বীদুগী অকোয়বদা ফংঙি ঈশিংগী শরুক, নুংশিৎকী শরুক অমদি লৈবাক্কী শরুক। হায়রিবা ঈশিং, নুংশিৎ, লৈবাকসিগী ঈথিন্দগী পাম্বী ওইনা হৌরকই। মরুদুনা ঈশিং ওনখিদে, নুংশিৎসু ওনখিদে লৈবাকসু ওনখিদে পাম্বী অদুম ওইখি, মপূং মরৈ ফাখি, মথং মথং অসুম্না শন্দোরকই। মতৌ অসিগুম্না ঐখোয়গী মালেম্মু চাওখৎহনবদা ঙমজবা মতেং ওইনবা ঐখোয়গী লৈঙাকপীরিবা সী এমবু মতম পূম্বদা পূক্নিং থৌগৎসি অমদি খূৎশম্না চৎমিন্ননবা পান্বে থিসি। ঙসিদি মম্লম্বা পূক্নিং অতিয়াসু তশেং তশেংলে, মতমগী মোৎলবা উফুল চেনবা নোংসু মাঙখরে, শংবানবা অতিয়াগী মশক ফজনা উবা ফংজরে।

অরোইবদা, ঐখোয় পূন্না নীংশিংমিন্নসি মদুদি ব্যাসদেবনা লেংবীরম্বা মহাভারতকী ৮ শুবা খণ্ড (শরুক) গী অধ্যায় (মতাং) ১২৩ গী লমাই ১৮৩ দা য়াওরিবা কুন্তিনা মজাইবুংঙো যুধিষ্টিরদা হায়খিবা ৱাহৈশিং -

'নিংথৌনা (লৈঙাকপনা) মাগী মথৌ চপ চানা তৌরবদি স্বর্গগী লাইমক ওইবা ঙম্মী অদুগা মশাগী লাইনীং অমদি মথৌ কায়না চৎলবদি নরক শোয়দনা তাই । অমুকসু নিংথৌনা (লৈঙাকপনা) মতম চানা দণ্ডনীতি শীজিন্নরবদি মতম অদুদা সত্যযুগ কৌবা অথোইবা মতমদো লাকপা হৌরবনি।'

কাংঙনা, শঙ্গোম থকপদা ঈশিংগী শরুকমখৈ খাল্লগা অফবা, মচি ওইবতমক থকপগুম কুমজা কয়াগী মমাঙগী ৱারী শীংবুলদগীসু মালেম ইমানা য়োকপীবনি খল্লগা অফবা শরুক লৌবা য়াবমখৈদি লৌশিন্নবা হোৎনসি।


# গ্রীক্কী পুং ঈশৈ অমসুং জগোয়




**রন্দোল্ফ মোইরাংথেম**

***Greek* লাইনীং লম্বীগা music কা লৈনবা মরী :** Greek লৈবাক্কী খ্বাইদগী মরু ওইবা music কী থৌগলশিংদা মরুওইরিবা Greek কী মরক্তা খ্বাইদগী মমিং লৈরিবা অসি Penethenaia ওইরম্মী অমসুং মসি Athens তা পাঙথোকপা অচৌবা Dionysia কুম্মৈ হায়না খঙনৈ। অঙকপা অমনা কুম্মৈ অসি লাইনীং লম্বীশিংগী থৌরমশিংদা মশীং থিঙমদ্রবা মীয়াম্না য়াম্না লাংতক্লনা খৌরাংনা church তম্না লাই খুরুম্ন বগী চঙশিনবা হানবা তান্নে। মসিগা লোয়না-লোয়ননা লাই খুরুমজবগী ঈশৈশিংসু শকই। লাইশোল ঈশৈশিং (Parabonia) শৈশকপশিং/ শৈশকপিশিংনা মখোয় মখোয়গী থম্মোয় ইংজনবা লাইগী মফমদা কৎচৈ। ঈশৈদা professional ওইরবশিংনা Western music তা choral group হায়না খঙনরিবা তোঙান তোঙানবা খোঞ্জেলশিংনা পুনশিন্নরগা শকপা aulos players হায়রগা খঙনবা, মখোয়শিং অসিনা মরু ওইনা Athens কী Thepaeanists in Athens অমসুং aoidoi অমসুং epispondorcheslai APIDACIRUS হায়রিবা য়াম্ন া শেংবা লাইগী মফমনি হায়না নীংজবা মফমশিং অদুগা মীওই ফুরুপশিং য়াম্না লৈবা হায়বদি Christians, Muslims etc. ওইবশিংনা মাগী মাগী ফুরুপকী লাইশোন ঈশৈশিং শকপদা Greek হায়না খঙনরিবা অরিবা মতমদগী চাওখৎলক্লবনি হায়না লৌনরিবা লৈবাক অসিগী পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়গা লাইনীং লম্বীগা তৎনবা থানবা য়াদ্রবা মরী লৈনরকই। পুং, ঈশৈ, জগোয়, শৈরেং, অমসুং drama হায়রিবা art form ময়াম অসিগীসু pan-Hellenic কুম্মৈগুম্না চাংদমনবগী থৌরম অমা ওইনা Isthmia, Delphi অমসুং Nemea দা পাঙথোকই। ময়ামগা মানরল্লোই খঞ্জবা অমনা শান্না খোৎনবগী চাংদম্নবশিংগা পুং-ঈশৈ অমসুং জগোয়গী চাংদম্ন বশিংগা য়াম্না অঙকপা ফংলবা লাইনীং লম্বীগী ওইবা খুদোল অমা Greek শিংগী লাইয়ামদা তমজবগী চৎনবীসিদি লৈবাক অসিগী ওইনা তোপ তোপ্পা নীংথিজরবা চৎনবী অমনি হায়জনিংঙি। অতোপ্পা তোঙানবা মখল মান্নদবা পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়গী চাংদম্নবা মখল অনী অমসু পাঙথোক্লম্মী। মখোয়শিং অদুদি : Staphanites : হায়বসিনা অহানবা মনা ফংবদুদা লাইরেম্বশিং অমদি লাইরেম্বীশিংগী শকউদবা মগুণ য়াওবা, লাইনীং লম্বীশিংগা মরী লৈনবা লৈ পরেং নত্রগা লৈ মনানা লৈ পরেং মান্না শারগা মীয়াম মমাঙদা খুদোল তৌবগী চৎনবিনি। য়াম্না অঙনবা মতমদা অসিগুম্বা চাংদম্নবশিং অসি 7th Century BCE দগী Sparta, Argos অমসুং Paros হায়রিবা মফমশিং অসিদা পাঙথোকখ্রে।

Hellenistic কী মতমদদি পুং, ঈশৈগী অমসুং জগোয়গী থৌরমশিং লোয়ন-লোয়ননা চাংদম্নবগী থৌরমশিং অসি য়াম্না তোইনা মীয়াম পুন্নমক অমত্তা ওইবগা লোয়ননা ৱাখল মাননা পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয় শাবশিং অমত্তা ওইনা পূনশিন্নরগা অৱাৎ-অপা খুদিংমক মীপুম খুদিংমক্তা শিনমিন লাংমিন্নরগা য়াম্না তোইনা পাঙথোক্লম্মী। মসিগী চৎনবী অসি মৈত্রবাক্তসু মতম অমদা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবশিংনা ঙসিগী Science কী অওনবা অসি লাক্ত্রিঙৈদা য়াম্না নুংশিননা পাঙথোক্লমগনি।



খুদম অমত্তং পীজরবদা মমাঙঙৈগী মতমদা শাবী-শানৌশিংগী ওইবা থাবল চোঙবা মীপুম খুদিংমক্তা পুকচেল-খোয়জেল তিনন্না য়াম্না নুংশিননা পাঙথোকখিবনি।

Definition : Ancient Greek music : by Mark : Mark না ফোঙদোকখিবা Greek music কী ৱাহম্থোক : মহাক্না 05/January/2013 দা ফোঙদোকখি। Music (or mousike) হায়বসি থায়নগী Greek তা চঙদ্রবা য়াদ্রবা মচাক অমা ওইরম্মী। অদুগা হায়রিবা Art form অসিনা কোনশিল্লিবা হীরমশিং অসি music খক্তা নত্তনা জগোয়, ঈশৈ-ময়েক অমসুং শৈরেং-শৈদিন্নবা য়াওরি। মখল য়াম্না য়াম্লবা music কী খুৎলায়শিংনা মখল-মখলগী থৌরমশিংদা 1) লাইনীং লম্বীদা, 2) মীয়ামগী কুম্মৈশিংদা 3) মীয়াম নুঙাইমিন্নবা থকমিন্নবা চামিন্নবা (symposia), 4) লুহোংবগী থৌরমশিং, 5) অসি-অনাগী, অৱা-তোংথাখোলশিং অমদি 6) শান্নবা-খোৎনবগী ওইবা লোয়না লোয়ননা 7) লান্মীশিংগী থবক থৌরমশিংদসু চঙদ্রবা য়াদ্রবা মচাকশিং ওইরম্মী। Greek music কী শীজিন্নফমসি য়াম্না য়াম্মী লাইরিক লাইশু তম্বদসু theatre শিংদা drama শানবদসু অমদি মখল মখলগী নাইতোমগী ওইবা Music কা মরী লৈননা উৎপা অমসুং Music কী চাংদম্নবশিংদা Music হায়রিবা Art from অসি চংদ্রবা য়াদ্রবা য়াম্না মরু ওইবা মচাক অমা ওইরম্মী।

**Greek music কী মৈহৌরোল :**

শেম্বীবা মপুগী থৌজাল ওইনা Greek লৈবাক্তা ancient period কী মতমদা music কী মৈহৌরোল অসি থৌজাল হৈরবা শেম্বীবা মপুনা মীওইবদা খুদোল ওইনা পনবিখি। করিগুম্বা মশানা শীজিন্নবদা চানজগদবা, পুন্নমকপু শুমহৎপা ঙম্বা মগুণ য়াওবা music কী খুৎলায় পুথোকরল্লবদি মশানা পুথোকচবনি হায়দুন লাইয়ামশিংনা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎনৈ। Hermes the lyre, pan the Syring (panpines) and Athena the aulos (flute). মথায় থায়নগী থাজগদরা থাজরোইদরা খঙদবা mythology ওইবা ৱাখলোন্দা মখল-মথেলগী music শিং অসি য়াম্না থাগৎনরম্মী অদুগা লাইয়ামশিংবু Mt. Olympus মখোয়গী লাইগী মগুণ য়াওবা music, জগোয়, ঈশৈনচিংবা মখল মথেলগী Art form কৌবী লাইরেম্বীনা পেলহনলি। অতোপা mythical ওইরবা নীংথিরবা অমনা য়াম্না নুংশিননা ঈশৈ হায়বসি য়ুগী নিংথৌ Dionysos অমসুং মহাক্কী মতুং ইনবা Satyrs অমসুং Maenads শিংনি। Amphion অমসুং Thamyhes article অনি অসি Kithara (guitar) whilst orpheus শকপদা অমসুং lyre খোংবদা য়াম্না ফাওরম্মী।

লৌখৎচখিবা মচাকশিং :

1. Greek ancient music.
2. ইশানা হোৎনজরকপা।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৯

১। ''মৈতৈ অমা লাকই/থাঙ পায়দুনা লাকই/চিংনবা লৈতনা চঙখি/থাঙনা য়াল্লে গোবিন্দগী সিংহাসন্দা'' কবি কনানা হায়বনো?

২। ''ঙসি কৌবা নুমিৎতগী মাম্মবু ঐনা... বাবা কৌজরবনি।'' পরেংসি ক্ষেত্রি বীরগী নোভেল অমদগী লৌথোকপনি। করম্বা কেরেক্টরনা হায়বনো?

৩। ''সুখলাল জ্ঞান মাঙনা মিৎ উইশিল্লকই/...ৱা ঙাঙদনা ফমুংদা উতুপ তাবগুম হাইথরকই।'' পরেং অনীসিনা ক্ষেত্রি সুবদনীগী করম্বা ৱারীমচাদগী লৌথোকপনো?

৪। এম কে বিনোদিনীগী 'অশংবা নোংজাবী' ইংরাজিদা হন্দোকখ্রে। কনানা হন্দোকপনো?

৫। নৈন-ৱারেং 'চোইজাইনবা ৱারেং' কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।